## নোংমৈ ৩০৫, য়ু লিটর ৫২৩৮৪ ফারে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচ এন এস): মীখলগী মাঙওইননা কুমজা ২০১৬ গী সেপ্টেম্বর থাদগী ঙসি ফাওবগী ওইনা লো এন্দ ওর্দর / সেক্যুরিটি মিজর অমদি চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপদা লোনা য়াদবা মওংদা পায়রম্বা নোংমৈ ৩০৫, য়ু লিটর ৫২৩৮৪.২৪ ফাগৎখ্রে হায়না চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর (সী ঈ ও) মণিপুর ভিভেককুমার দেৱানগননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লো এন্দ ওর্দর / সেক্যুরিটি মিজর / প্রিভেন্টিব এক্সনগী মনুং চন্না কুমজা ২০১৬ গী সেপ্টেম্বর ১ দগী ঙসি ফাওবদা য়ু লিটর ৫২৩৮৪.২৪ ফাগৎখি। মসিগী মনুংদা এক্সাইজ দিপার্টমেন্টনা ফাবা য়ু লিটর ১৯০৫৪.৭৪ য়াওরি। হেরোইন পাউদর গ্রাম ৬৩, এস পি কেপস্যুল ১৩৪০ অমদি দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট ৫৫ সু ফাগৎখি। লোনা য়াদবা মওংদা পায়রম্বা নোংমৈ ৩০৫ ফাগৎখি। লাইসেন্স নোংমৈ দিপোজিৎ তৌরকখিবনা ৯০৩৫ রোমনি। গাড়ী চেক তৌবগী থবক চত্থবদা ফাইন ওইনা লুপা ১৮৯৪২০০ সু খোমগৎপা ঙমখি।

মীখল অসিগা মরী লৈননা কেন্দিদেটশিংগী এক্সপেন্দিচরগীদমক তোঙানবা বেঙ্ক একাউন্ট অমা হাংনবা খঙহনবা লৈখ্রে। ইলেক্সন কম্মিসননসু হীরম অসিগী মতাংদা খঙহল্লকখ্রে। কেন্দিদেটশিংগী একাউন্টশিং হাংনবগী মতাংদা য়েংশিন্নবগীদমকসু খঙহল্লকখ্রে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## লাইরিক ২ ফোঙখ্রে...

*লামায় ১ গী মখা...* থৌরমদুগী চীফ গেষ্ট ওইখিবী এস ভানুমতিনা হায়খিবদা, ৱাহেংবম রোমেন ইরৈপাক ইরমদম্বু নুংশিজবা, অওনবা পাম্বা অইবনি। মহাক্কী খুৎইদা লমদমসিগী মমাংঙৈদা ইপা ইপুশিংনা চৎনরম্বা চৎন-লোনচৎ, ৱাহৈ-ৱাতা অমদি খুন্নাইরোলশিং কাউথোকপা চুমদে। মমাংগী পুৱারী য়াওদনা ঙসিগী খুন্নাই শেম্বা য়ারোই হায়না ফোঙদোকখি।

## GAS TODAY

**ASHANGBI INDANE, SUGNU**
Booking Upto:26/10/2016
Valid From:17/10/2016
***Stk:306***
Timing : 09:00am -11:00 am

**CANCHI INDANE SERVICE**
Booking Upto:19/10/2016
Valid From:05/10/2016
***Stk:918***
***19kg Commercial Stk:24***
Timing : 8:00am-11:00am

**GBD INDANE, LAMLONG**
Booking Upto:14/09/2016
Valid From:06/09/2016
***Stk:612***
Timing : 07:30am -11:00 am

**HRANGCHAL GAS AGENCY OLD LAMBULANE**
Booking Upto:22/11/2016
Valid From:18/11/2016
***Stk:306 (DBTL)***
Timing : 07:30am -10:30 am

**JEMON GAS SERVICE, CHINGAMATHAK**
Booking Upto:19/09/2016
Valid From:07/09/2016
***Stk:306 (CTC)***
Timing : 07:00am -09:00 am

**K&K INDANE SERVICE**
Booking Upto:28/10/2016
Valid From:20/10/2016
***Stk:612***
Timing : 07:30am -11:00 am
*(Peisha Achoiba Pubirak u)*

**KHONGNANG GAS AGENCY BISHNUPUR**
**SL.NO.:5026 TO 5252**
Booking Upto:03/08/2016
Valid From:27/07/2016
***Stk:306***
Timing : 07:00am -10:00 am

**LAMBODARA INDANE**
Booking Upto:01/12/2016
Valid From:24/11/2016
***Stk:612 (DBTL)***
Timing : 07:30am -10:00 am
*(Please Bring Aadhaar Xerox)*

**MAHALAKSMI INDANE**
**SL.NO:.2000017440**
Booking Upto:05/11/2016
Valid From:14/10/2016
***Stk:306 (DBTL)***
Timing : 07:30am -10:30 am

**MAIBIA GAS, MOIRANG**
**SL.NO:.270**
Booking Upto:24/10/2016
***Stk:306***
Timing : 07:00am -11:00 am

**MANIPUR POLICE GAS**
Booking Upto:12/11/2016
Valid From:09/11/2016
**(SL.NO: 151)**
***Stk:306 (CTC & DNSC)***
Timing : 10:00am -01:00 pm

**MISAO GAS SERVICE**
Booking Upto:02/11/2016
Valid From:06/10/2016
***Stk:306***
Timing : 07:30am -10:00 am

**R&H, IRILBUNG**
Booking Upto:16/10/2016
Valid From:27/09/2016
***Stk:612 (DBTL)***
Timing : 08:00am -11:00 am

**SAWOMBUNG INDANE**
Booking Upto:05/10/2016
Valid From:25/09/2016
***Stk:306***
Timing : 07:30am -10:00 am
*(Please submit Aadhaar Xerox)*

**J RONGMEI SK INDANE , WANGOI**
Booking Upto:10/11/2016
Valid From:29/10/2016
***Stk:50 (Without Subsidy)***
***Stk: 256 (DNSC)***
Timing : 07:30am -10:30 am

# নুমীৎ মঙানি চত্থগদবা পার্ফোর্মিং আর্টস অমসুং রিচ্যুএল নেরেটিব ফেষ্টিবেল হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচ এন এস): দিপার্টমেন্ট ওফ কলচর ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচর মণিপুরগা পুন্না খুৎশম্নদুনা ঠিএটর সেন্টর মণিপুরনা শীন্দুনা নুমিৎ মঙানি চুপ্পা চত্থগদবা ১১শুবা ফেষ্টিবেল ওফ রিচ্যুএল নেরেটিব এন্দ পার্ফোর্মিং আর্ট ওফ মণিপুর ২০১৭ ঙসি হাওবম মরক ঙাঙোম লৈকায়দা লৈবা ফুরাইলাৎপম মন্দপ্তা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এল উপেন্দ্র, দিরেক্টর জে এন মণিপুর দান্স একাদেমী ইম্ফালনা চীফ গেষ্ট, ৱারেপ্পা নবা, প্রসিদেন্ট ঠিএটর সেন্টর মণিপুরনা প্রসিদেন্ট অমসুং বুধ চিংথাম, মেম্বর এন ঈ জেদ সী সী অমসুং ঈ জেদ সী সীনা স্পেসল গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

চীফ গেষ্টকী ৱারোলদা এল উপেন্দ্রনা হায়খি, পার্ফোর্মিং আর্ট ওফ রিচ্যুএলিটিব নেরেটিব অসি য়াম্নমক তঙাইফদবা অমনি। ৱারী লীবদা লাইরিক থিবা হায়বসি য়াম্না চাওবা থৌদাং লৌরিবনি হায়বসি ঐখোয় খরা থেংনা খঙলকপদৌনা তৌরি। হৌখিবা চহী ২০/৩০ অসি ফেষ্টিবেল তৌরিবা অসিগা য়াম্না চান্নে। খুন্নাই অসিদা মখল-মখাগী থবক থৌওংশিং পাঙথোকপা অমা চঙই। মরম অদুনা অসিগুম্বা ফেষ্টিবেল অসি পাঙথোকপা য়াম্না ফৈ।

প্রসিদেন্টকী ৱারোলদা ৱারেপ্পা নবানা হায়খি, ঠিএটর সেন্টর মণিপুরনা পাঙথোক্লিবা লমদম অসিগী য়াম্না তাংলবা তপ্না-তপ্না মুৎশিল্লক্লবা নেরেটিব আর্ট ফোর্মশিং অসি য়োকখৎনবগী ৱাখল্লোনদা লমজিং ওইরগা লেপ্পা লৈতনা চত্থরক্লিবা অসিগুম্বা ফেষ্টিবেল অসি হন্দক চহীগী পাঙথোক্লিবা অসি থারগা ১১ রক শুবনি। দিপার্টমেন্ট ওফ কলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী শেন্থং মখাদা রিচ্যুএল নেরেটিব এন্দ পর্ফোর্মিং আর্ট ওফ মণিপুর ২০১৭ পাঙথোকপনি। মমাঙ চহীদা পাঙথোকপগুম হন্দক্কী চহী অসিদসু নুমিৎ মঙানি অসিগী মনুংদা লাইরিক থিবা-হায়বা, ৱারী লীবা, খোংজোম পর্ব্ব, পেনা ফমশক, খুবাক ঈশৈগী থৌরমনচিংবা পাঙথোকপনা মপুং ওইরগা অসুক্কী মতিক মগুণ লৈখ্রবা নেরেটিব আর্ট ফোর্ম অসিবু য়োকখৎনিংবগী ৱাখল্লোনদা ঠিএটর সেন্টর মণিপুরদা হন্দক্কী চহীগী থৌরম অসিসু শীনবনি।

থৌরম অসিগী গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা বুধ চিংথামনা হায়খি, ঙসি পাঙথোক্লিবা ফেষ্টিবেল অসি য়াম্না তাংনা শীনবা থৌরমনি। রিচ্যুএল নেরেটিব এন্দ পার্ফোর্মিং আর্টকী ফীভম অসি য়াম্না নুংনাংনিংঙাইগী থাক্তা লৈরবা অয়াম্বনা মুৎশিল্লক্লবা অদুগা মুৎকদৌবগী মুৎশি-মুৎশি ঙাল্লিবা মৈরীদৌনা লৈরবা ঙাক্তনি। মসিবু কন্নবা, চাউখৎনবা, মীয়ামবু করম্না ঈহৌ শাগৎকদগে হায়না খন্ন-নৈনবা চঙশিনবা অসি য়াম্না লাইবক ফবনি। অরিবা আর্ট ফোর্মশিংগী মশা খিংলকপা মতমদা ঐখোয়গী ফুরুপ অসি খোঙফম চেংনা লেপ্পা ঙল্লকপসু ওইসনু।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা নোংথোম্বম রঞ্জিৎ অমদি কে এস ঐচ মংলেম্বা অমদি লাইশ্রম তোম্বা অমসুং এল ইরাবতনা লাইরিক থিবা-হায়বা মীয়ামদা খুদোল তমখি।

## দেল্টা মোক টেষ্টকী মনা য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচ এন এস): ক্বাকৈথেল এয়রপোর্ট রোদতা লৈবা দেল্টা ফাউন্দেসন্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা অহানবা ষ্টেট লেবেল দেল্টা ঐচ এস এল সী ঈ ২০১৭ প্রিপরেটরি / মোক টেষ্ট ২০১৬ কী মনা-মথুম য়েন্থোকপগী থৌরম ঙসি দেল্টা এদভান্স স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এল ৱাই দি এ, ক্বাকৈথেলগী প্রসিদেন্ট ডা. এল দিনচন্দ্রনা চীফ গেষ্ট, গুরুময়ুম বিনিতা, রিটায়ার্দ লেকচরর, সী সী হায়র সেকেন্দরি স্কুল, দেল্টা এদভান্স স্কুলগী প্রিন্সিপালনা প্রসিদেন্ট, শগোলশেম নোনি, সিনিয়র লেকচরর, লিলোং হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমসুং পিপলস ক্রোনিকলগী দেক্স এদিটর সৈত্যজিৎ উশমনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

অহানবা ওইনা পাঙথোকপা ষ্টেট লেবেল দেল্টা ঐচ এস এল সী ঈ ২০১৭ দা লমদম অসিগী ওইনা তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংদগী অপুনবা মহৈরোয় ১৬২ রোম্না শরুক য়াখি। হৌখিবা চহীগী দিসেম্বর ৪ দগী হৌদুনা মোক টেষ্ট অসি পাঙথোকখি। মোক টেষ্ট অসিদা মকোক মথং তাখ্রবশিংদি নির্মলাবাস হায় স্কুলগী রোজারিয়া থৌনাওজম, স্কুল অসিমক্কী খুশি খুল্লম্বম অমসুং টাইনিটোতস য়ুনিক স্কুলগী তখেল্লম্বম মালেমঙানবনি। সবজেক্ট টোপ্পরনা মেথমেটিক্সতা সেন্ট জোসেফ স্কুলগী জেনিথ রাজকুমার, সাইন্স অমসুং সোসল সাইন্সতা নির্মলাবাস হায় স্কুলগী রোজারিয়া থৌনাওজমনা তাখি।

অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা পোজিসন্দা লুপা ৫০০০, ৪০০০ অমসুং ৩০০০ লোয়ননা সার্টিফিকেট পীখি। সবজেক্ট টোপ্পরশিংদা শেলগী মনা লুপা ১৫০০ অমসুং সার্টিফিকেট লোয়ননা কন্সোলেসন প্রাইজ ফংলবা মহৈরোয় ৩০ দা শেলগী মনা লুপা ১০০০ অমদি সার্টিফিকেট পীখি। টাইনিটোতস য়ুনিক স্কুলনা বেষ্ট স্কুলগী মনা ফংখি।

## নাগালেন্দদা টোটেল বন্দ তৌগদৌরি

দিমাপুর, ফেব্রুৱারী ১২ : জোইন্ট কোওর্দিনেসন কম্মিটি (জে সী সী) অমদি নাগালেন্দ ট্রাইব এক্সন কম্মিটিনা নাগালেন্দদা হয়েং অয়ুক পুং ৮ দগী নুমীদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা টোটেল বন্দ কৌখ্রে।

দিমাপুরদা বন্দ অসি দি এ ৱাই এফনা চত্থগনি। কোহিমাদনা এ ৱাই ওনা অয়ুক পুং ৬ তগী নুংথিল পুং ৬ ফাওবা বন্দ চত্থগদৌরি। জে সী সীগী কো-কন্ভিনর বিখোসায়ি জেকানা ফোঙদোকখিবদা, হয়েং নাগালেন্দদা বন্দ চত্থগনি। হৌজিক চত্থরিবা লৈঙাক্কী ওফিস থিংবা অমদি লৈঙাক্কী গাড়ীশিং থিংবগী খোঙজংগী মথক্তা মখা তাবা খোঙজং ওইনা চঙশিল্লকপনি। দিমাপুরদা ট্রেন অমদি এয়র সার্ভিসতদি অথিংবা থল্লোই। বন্দদা কোমথোক্কদবশিংদি পেরামিলিটরি ফোর্স, লুহোংবা চৎপশিং ইনভাইটেসন কার্দ পুথোল্লবদি চৎপা য়াগনি। প্রেস, মেদিকেল, অনাবা পুবা গাড়ী, পোষ্টেল সার্ভিস, ফায়র সার্ভিস, ইমার্জেন্সি সার্ভিসকীদি কোমথোক্কনি। বন্দ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা ভল্যুন্টিয়ারশিংনা দিসিপ্লিন ঙাক্লা চৎপীয়ু। বন্দ চত্থবা মতমদা য়ুনচিংবা থকপীগনু হায়রি।

বন্দগী খোঙজং অসি নন-ভাইওলেন ওইবা মওংদা চত্থগনি। পব্লিক প্রোপর্টিনচিংবা মাঙহন-তাকহনবা তৌবীগনু। ট্রাইবেল হোহোশিংনসু মাগী মাগী মফমশিংদা বন্দ চত্থনবা জে সী সীনা হায়রি হায়নসু মখা তারি।

এ ৱাই ওনা কোহিমাদা হয়েং অয়ুক পুং ৬ তগী নুংথিল পুং ৬ ফাওবা বন্দ তৌগনি। নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর টি আর জেলিয়াংগী মথক্তা খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনসু লাক্লি। এ ৱাই ওগী প্রসিদেন্ট নেংবুতো অমদি জেনরেল সেক্রেটরি কেখ্রিনা থোকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না, বন্দ অসিগীদমক শৌগৎপীয়ু। বন্দ মনুংদা মীদিয়া, পাউ-চেগী হোক্কর, পেরামিলিটরি, মেদিকেল, ইগজাম থারিবা মহৈরোয়শিংগীদমক্তা কোমথোক্কনি হায়নসু মখা তারি।

## 'সেক্যুরিটি লৈশিল্লিবশিং লৌথোক্কবনি'

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচ এন এস): স্কুলশিংদা টেম্পররি কেম্প শাদুনা লৈশিল্লিবা সেক্যুরিটি ফোর্সশিং লৌথোক্কদবনি হায়না মণিপুর এল্লাইয়েন্স ফোর চাইল্ড রাইটস (এম এ সী আর) গী ষ্টেট কোওর্দিনেটর এস ভৈগ্যনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

স্কুলদা সেক্যুরিটি ফোর্স লৈশিনবা হায়বসি রাইট টু এদ্যুকেসন ভাইওলেট তৌবনি। লিলাশিং খোংনাংখোঙ হায় স্কুল, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি এন তোমচৌ সিংহ হায়র সেকেন্দরি স্কুল, ময়াং ইম্ফালদা সেক্যুরিটি ফোর্স লৈশিল্লে হায়বা পাউ তাবা ফংলে। সেকমাইদা লৈবা নিলপদ্মা হায় স্কুলদসু মমাঙদা নুমীৎ খরনিগী ওইনা সেক্যুরিটি লৈশিল্লম্বা লৈখ্রে। স্কুলদা সেক্যুরিটি লৈশিনবা হায়বসি চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদনি। লৈঙাক্কী স্কুল ওইরিবা লিলাশিং খোংনাংখোঙ হায় স্কুল অসিদা দিষ্ট্রিক্ট চিলদ্রেন কয়া মহৈ তম্লি। স্কুল অসিদা সেক্যুরিটি ফোর্সনা কুমজা ২০১৬ গী দিসেম্বরদগী লৈশিল্লক্লি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## লোনা য়াদবা ওর্গনাইজেসননি...

*লামায় ১ গী মখা...* ইবোবীনা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী মখাদা লৈবা ষ্টেট অমগী চীফ মিনিষ্টর ওইরি। সী এল পিনা ষ্টেট অদুগী লৈঙাক পায়রিবা পার্টিনি। ইবোবীনা এম ও য়ু অমসুং মমাংদা পীখিবা থাজবশিং ইকাইখুম্নদবা হায়বসি কন্সটিট্যুসনবু খোঙ্গাওনবনি। চীফ মিনিষ্টরনা ৱাথোক লোয়শিনহন্নবা হোৎনবগী মহুত্তা য়ু এন সীগী লুচিংবশিং ফাজিন্দুনা থম্লি। ক্রিমিনেল অমগুম য়ু এন সীগী লুচিংবশিংবু তমথিনা ওৎ নৈবগা লোয়ননা ইলেক্ট্রিক সোর্ক তৌখি।

ফেব্রুৱারি ৩ দা পাঙথোকখিবা নাকল অহুমগী ওইবা ৱারী শানবগী থৌরমদা ইলেক্সনগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনবা হৌরে হায়বা ৱাফমদা য়ুম্ফম ওইরগা মরুওইবা ৱাফম ওইরিবা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ লাউথোকপগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা খন্নখিদে। অদুবু হায়রিবা ইলেক্সনগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট অদু চৎনদ্রিঙৈদা মহাক অমসুং সী এল পিনা য়ু এন সীবু অনলোফুল ওর্গনাইজেসন্নি হায়না লাউথোক্লবা রিক্কমেন্দ তৌখি।

চেরোল অসিনা হায়, দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী মখাদা লৈবা ত্রাইবেল হিল এরিয়াশিং পঞ্চায়টি রাজদা ত্রান্সফর তৌখি। চীফ মিনিষ্টর ইবোবীগী লৈঙাক মখাদা মীওই ১৫২৮ এক্সত্রা জুদিসিয়েল ওইবা মীহাৎতা লৈখিদ্রে। কুমজা ২০০১ গী জুন ১৮ দা ষ্টেট এসেম্ব্লী অমসুং ইন্দিয়াগী ফিরাল মৈ থাখিবা ওর্গনাইজেসনশিংবু লোনা য়াদবনি হায়না লাউথোকপগী মহুত্তা মার্টিয়র ওইনা লাউথোকখি।

ইবোবী অমসুং সী এল পিনা লৈবাক অসিবু কাঙ খোঙ চায়হল্লে হায়দুনা চেরোল অসিনা হায়, চীফ মিনিষ্টরনা তৌনিংবতা তৌদুনা মশাগী ওইবা মওংদা লোফুল অমসুং অনলোফুলগী মওং মতৌ লেপ্লি। মহাক তশেংনা মতিক ময়াই লৈবা মীনি অদুবু লো লৈতবগী ফিভম অসিদা মীয়াম্না করম্বা ফিভমদা হিংলিবগে। মণিপুর গভর্নমেন্ট, ইন্দিয়া গভর্নমেন্ট অমসুং মালেমনা ইবোবী অমসুং সী এল পিবু লো ঙাক্না চৎলিব্রা হায়বদুগী মতাংদা ৱারেপ লৌগদবনি।

## ষ্টেটনা ব্লোকেদ হাংদোকপা ঙমদ্রগদি...

*লামায় ১ গী মখা...* তৌবা লৈখ্রে। মণিপুর মীয়াম্না তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিংগী অৱাবা মায়োক্নরিবা অসি য়েংলগা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎনবা য়েংশিনগনি। তঙাইফদ্রবদি এয়রলিফ্ট তৌরবসু তৌগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙলদুনা লংথবাল এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইগদবা এক্স-মিনিষ্ট ও জয়না হায়খি, ইন্দিয়াগী ওইনা পোলিটিকেলগী অওনবা অমা লাক্লিবা অসিদা মণিপুরদসু অওনবা শোয়দনা পুরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। পোলিটিকেলগী হোংলক্লিবা কয়া অসি য়েংলগা ষ্টেট অসিদসু বি জে পিগী লৈঙাক লাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

সেন্টরদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক লাকখ্রবা মতুংদা চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎত্তুনা লাকখ্রে। বি জে পিনা পায়খৎলক্লিবা থবক কয়া অসিনা মরম ওইরগা মীয়াম্না পার্টি অসিদা থাজবা থম্নরকখিবনি। শেঙ্গা-থুমজা লৈতবা লৈঙাক অমা পুরক্লবা মতমদা চাউখৎ থৌরাং মাঙলোমদা চৎপা ঙমগনি। তংদু-লৈতাবা খুন্নাই অমা পুরক্লবদি চাউখৎপা পুরক্কনি।

য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সী) বু অনলোফুল ওইবা ওর্গনাইজেসননি হায়না লাউথোকপা য়াবগী ফীভম লৈদুনা লাউথোরকপদা অকায়বা লৈতে। চীংগী লমশিংদা হৌজিক কা হেনবা থৌওং কয়া চত্থবগী ফীভম লৈরি। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি অচুম্বা খোঙথাং অমা নত্তে।

লংথবাল এ সী অসি পুৱারীগা শাগোন্নবা মফম কয়া লৈবা লমদমনি। পুৱারীগী ওইবা তৎন-থানবা য়াদ্রবা মফমশিং অসি নিংথিনা শেমগৎতুনা লংথবাল অসি পুৱারীগী য়াম্না মরু ওইবা মফমশিংগী ওইবা লমদম অমা ওইনা নিংথিনা শেমগৎপা পাম্মী হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা এম এল এ, টি ঐচ বিশ্বাজিৎনা হায়খি, ইকনমিক ব্লোকেদ ষ্টেট লৈঙাক অসিনা লোইশিন্নবা চপ চানা হোৎনবগী মহুত্তা সেন্টরদা থংজিন্নবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা লৈরি। সেন্টরদা ব্লোকেদগী মতাংদা চে ইখ্রে হায়বা মওংদা অদুমক লৈরি। ব্লোকেদ করম্না লোইশিনগদগে হায়বগী চপ চাবা লম্বী অদু থিফম থোকপনি। হৌজিক চত্থরিবা ইকনমিক ব্লোকেদ অসি করি মরমদগী ওইরকখিবনো হায়বদু পুম্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট কে ভবানন্দ অমদি বি জে পি মণিপুরগী মরু ওইবা থৌ পুবা কয়াসু শরুক য়াখি।

## মীয়াম ৱাহনবগী তেকচাক ষ্টেট অমসুং...

*লামায় ১ গী মখা...* মণিপুরগী তংদু লৈতাদ্রবা ফীভম অসিবু ওইহল্লিবা মণিপুরগী কোংগ্রেস লৈঙাক অমদি সেন্টরগী বি জে পিবু লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা মায়থীবা পীদুনা লৌমী শিন্নীশিংগী য়াইফনবা অমদি ঈং-তপ্পা মণিপুর অমা ওইহনবা ঙম্নবগীদমক ৱাখল্লোন মান্নবা পার্টিশিং পুনশিন্দুনা লেফট এন্দ দেমোক্রেটিক ফ্রন্ট অসি শেম্বনি। এন পি পিসু ফ্রন্ট অসিগা ইলেক্টোরেল অন্দরষ্টেন্দিং অমা লৈনরে। মীখল অসিদা ফ্রন্ট অসিগী মণিপুরদা অপুনবা মীরেপ ৫৬ লোম্না লম্বা তৌগদৌরি হায়খি।

মণিপুরগী মীয়াম্না মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি কন্ননবা হোৎনবদা ফ্রন্ট অসিবু খঙবীয়ু অমদি নুংশিবীয়ু হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। ঙসি ফিরাল চিংখৎপগী থৌরম অদুদা ফোর্মর ষ্টেট সেক্রেটরি সী পি আই, বি শর্মা, এন সী পিগী প্রসিদেন্ট এস ইবোয়াইমা, এন সী পিগী ভাইস-প্রসিদেন্ট ৱাই ইবোয়াইমা, ষ্টেট সেক্রেটরিয়েট মেম্বর এম এস সী সী পি আই, সোতিনকুমার অমসুং ৱাংজিং-তেম্বা সী পি আই লোকেল সেক্রেটরি, টি ঐচ হেমোবিসু শরুক য়াখি।

## ট্রান্সলেসন ফোরমগী মপোক কুমওন...

*লামায় ১ গী মখা...* ইন্দিয়াগী অইবশিংনা করিসু হেনদে। অদুবু পুথোক্লিবা লাইরিকশিং অদু মণিপুর লোলদা পুথোকপা মরম্না কনামত্তনা লমদমসিগী লোয়নসিল্লোনবু মশক খঙবীদে। মালেমগী লোয়নসিল্লোনগা পুনবা ঙম্নবা লমদমসিদা কম্মন লেঙ্গুয়েজ থিদুনা লাইরিক ফোঙবা অমদি মপান্দা থাদোকপা মথৌ তারে। ত্রান্সলেসনগী থবক ৱাৎপদগী মালেমগী এৱার্দ কয়া মণিপুর অইবশিংনা ফঙবা ঙমদ্রিবসি কোকহন্নবা হোৎনবা মতম ওইররে।

ত্রান্সলেসন হায়বসি ইংলিস নৎত্রগা হিন্দি হৈবখক্তনা য়াদে। মরুওইনা লোয়নসিল্লোনগী লমদা নৎত্রগা ইবগী লমদা খঙবা চঙই। মণিপুরগী কোলেজশিংদা লৈরিবা ইংলিস দিপার্টমেন্টনা হীরম অসিদা কয়া পুক্নিং চংবা উদে হায়রদুনা কোলেজশিংদসু লোয়নসিল্লোনগী ঈহৌ কনখৎহনবা মথৌ তাই হায়খি।

থৌরম মপু ওইখিবা প্রো. যোধচন্দ্র সনসমনা হায়খিবদা, মণিপুরদা কাঙলুপ কয়া খুন্দারবসু লোল খুদিংমক খঙনবা হোৎনদে। লোল য়াম্না খঙনবা হোৎনবা ফৈ হায়রদুনা ত্রান্সলেসনগী থবক ফগৎহন্নবা লুপ অসি লীংখৎখিবনি। অদুবু শেল লৈতবা অমদি থবক তৌবা ঙম্বা নহা ৱাৎপদগী চাউখৎপা ঙমদে। লমদমসিগী অইবশিং হীরমসিদা পুক্নিং চঙবা তঙাইফদে হায়খি।

অখন্নবা মীথুং ওইখিবা আর কে ভুবোনস্নানা হায়, মণিপুরদা ক্রিএটিব রাইটর মরাং কায়না লৈরবসু পুথোক্লিবা পোৎথোকশিং অদু ইংলিস নৎত্রগা অতোপ্পা লোলদা হন্দোকপগী চাং নেম্মী। ত্রান্সলেটরশিং য়োকখৎতুনা মণিপুরগী লাইরিকশিং মপান্দা থাদোক্লবা হোৎনসি হায়খি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা ইংলিস অমদি মণিপুরী লোলদা শৈরেং পাখিবা মীওইশিং অদুদি তায়েঞ্জম বিজয়কুমার, সলাম তোম্বা, যোধচন্দ্র সনসম, আর কে ভুবোনস্না, দোনেশ্বর কোন্সম, কেএসঐচ সুবধনি, চোংথাম সুবধনি, কেসো ইরেংবা, ৱারিবম মৈনো, সরৎচান্দ থিয়াম, হরিদাস খোংবান্তাবম, লেনিন খুমনচা, ৱাংথোই খুমন, ওকেন্দ্রো খুন্দোংবম, পর্সুরাম থিংঙোমচা, তোংব্রম অমরজিৎ, ব্রোনুন অমদি ময়াংলম্বম উতমকুমারনি।

## রোবার্ট মীরেপ ওইদনবা...

*লামায় ১ গী মখা...* অসি মীয়াম্ননি। মরম অসিনা মীয়াম্না হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা মীরেপ ওইদনবা লৌরকখিবা ৱারেপপু ঈকায়খুম্নজৈ। মরম অসিনা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা মীরেপ ওইররোই। অদুমকপু মথংগী লাক্কদবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেম্ব্লী মীখলদদি টিকেটকী মতাংদা কন্দিসন অমত্তা থমদনা মীখল থেংনগনি।

শিংজমৈ এ সীদা অফবা অওনবা অমা পুরক্লবগীদমক্তদি মীরেপ ওইদ্রবসু মখা তানা থৌদাং লৌখিগনি। মীয়ামগসু পুন্না চৎমিন্নদুনা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎখিগনি। মীখল অসিদা মীরেপ ওইদ্রে হায়দুনা ঐহাক্কী ৱার্কর ওইবীরম্বশিংনা পুক্নিং হন্থবীগনু। শিংজমৈ এ সীবু কন্দবা য়াদে হায়বা ৱাখল্লোন অদুনা মাঙ থারগা হনবা লৈতনা মীয়ামগী থৌদা য়াখিগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা শিংজমৈ এ সীদগী মশক নাইরবা অহল কয়ানা দেজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি। পনবা য়াবদি, রোবার্ট এন পি পিগী টিকেট পীরে হায়না ঙরাং লাউথোকখিবা লৈখ্রবনি।

### ꯁꯟꯗꯣꯛꯄ

## Uripok, Green City অমগীদমক নুংঙাইরবা পাউজেল

Uripok Kangchup Road-Flyover Cheirap Court মপাদগী হৌরগা Naoremthong Bazar ফাওবদা সড়ক্কী নাক-য়েত্তা লৈবীরিবা ইকাইখুম্নজরিবা Land Owner শিংগী মফমদা নোল্লুকচবগা লোয়ননা নুংঙাইরবা পাউজেল অমত্তং পীজরি মদুদি Paona Market, Thangal Market খুদিংমক অসুক্কী মতিক Congested ওইরে চিল্লে। মরম অদুনা তঙাইমক ফদনা ইরমদম মণিপুর মীয়ামগী হেন্না খুদোংচানবগীদমক খঞ্জরগা Uripok Flyover-Cheirap Court মপাদগী হৌজরগা Naoremthong Bazar ফাওবা অসিদা "Uripok Green City" হায়না মিংথোনবা ফজখ্রবা Market Place Shopping Centre অমা Create তৌবগী মথৌ তারে। মরম অদুনা হায়রিবা মফম জগাশিং অসিগী লম মপূ ওইরিবশিংনা Panthoibi Housing Finance Company Limited (PHFCL), Uripok Imphal গী Management Team গগী ওইবা অপুনবা মীফম (Meeting) অমখক লাক্লিবা তাং ২৫/০২/২০১৭ থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১০:৩০ (তরা মখায়) দা চীংমৈরোংদা লৈবা Hotel Classic Grande গী Imperial Hall দা পাঙথোকচগনি।

হায়রিবা মীফম অসিদা ইকায়খুম্নজরিবা Land Owner শিংনা মতম চানা লেঙবিরক্তুনা শরুক য়াবিরনবগীদমক নোল্লুকচবগা লোয়ননা হায়জরি।

*** হায়রিবা Meeting অসিদা শরুক য়াবিগদবা Land Owner শিংনা 20th February, 2017 ফাওবগী মনুংদা Panthoibi Housing Finance Company Ltd., Uripok, Imphal দা লেঙবিরক্লগা মিং পীখৎপীনবা নোল্লুকচবগা লোয়ননা হায়জরি।**

হায়জরিবা :-
**Management Team**
**Panthoibi Housing Finance Company Limited (PHFCL), Uripok Imphal - 795001**
*HL-P/0503/11,12,13*

# পাৎশোই এ সীগী সী পি আই (এম) মীরেপকী ফিরাল চিংখৎখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচ এন এস): পাৎশোই এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা লেফট এন্দ দেমোক্রেটিক ফ্রন্টকী কমন কেন্দিদেট ওইরিবা সী পি আই (এম)গী মীরেপ থৌনাওজম শরতকী ফিরাল চিংখৎপগী থৌরম ঙসি মহাক্কী লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায়দা লৈবা ময়ুমদা পাঙথোকখ্রে।

ফিরাল চিংখৎপগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফমদা সী পি আই (এম)গী ষ্টেট সেক্রেটরি শরৎ সলামনা হায়খি, দ্রগ অমসুং ময়ায় কাবা চীঙ্গাক লল্লোনবা, ব্লেক মার্কেট তৌবা, অরানবা পাম্বৈনা অতেনবা মতমদা শেল য়াম্না তানশিনবা মীওই কয়া কোংগ্রেস অমদি বি জে পিগী মীরেপ ওইরি। মখোয়গী টেক্স থীদবা ব্লেক মনি কয়া অদু ইলেক্সনদা শীজিন্নদুনা নহারোল কয়া দ্রগ পীজদুনা দ্রগ অমদি ময়াই কাবা চীঙ্গাক পীজ-পীথক্তুনা চাক চানহন্নদুনা তুংলমচৎ লৈতবা অরানবা লম্বী অমদা পুরি। মণিপুর মীয়ামগী লাইবক লেপকদৌরিবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেম্ব্লিগী মীহুৎ খনবগী লুরবা তাঞ্জা অসিবু মখোয়না কুম্মৈ ওন্থোক্তুনা ভোটরশিংবু থমায়রি। ভোটরশিংনা চুম্না ৱাখল খনবগী লম্বী অদু থিংজিল্লি।

সী পি আই (এম)দি লায়রবা মীচম মীয়ামগী পার্টিনি অমসুং ত্রিপুরাগী পার্টি অসিগী চীফ মিনিষ্টর মনিক সরকারনা খ্বাইদগী লায়রবা চীফ মিনিষ্টর ওইদুনা অহিংবা খুদম ওইরি। লোয়ননা টি এন সেসন ফাউন্দেসননা মহাকপু বেষ্ট চীফ মিনিষ্টর এৱার্দ পীদুনা করপসন লৈতবা লৈঙাক অসিবু শকখঙবা উৎলি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা সী পি আই (এম)গী সেক্রেটরিয়েট মেম্বর য়ুম্নাম রতননা হায়খি, হন্দক্কী মীখল অসিদা অহানবা ওইনা ভোট থাদগদৌরিবা নহা কয়া পূন্সিগী অহানবা ওইনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক পীথক্কদৌরি, জ্বার শান্নবা হৈগদৌরি অমসুং গুলি অমসুং দ্রগকী মহাও তংহনগদৌরি। মসিগী ওন্ন-তৈনবা মওংদা সী পি আই (এম)না মীফম কয়া পাঙথোক্তুনা মীয়াম্বু নহারোলশিংবু অচুম্বা অফবা মীহুৎ খন্নবা হোৎনগনি।

মীরেপ ওইরিবা থৌনাওজম শরতনা হায়খি, ঙসি পাঙথোক্লিবা ফিরাল চিংখৎপগী থৌরম অসি লৈকায়গী মীয়াম অমদি পার্টিগী মেম্বর খরদা চেপাউ পীরগা য়াম্না চম্না শীঞ্জবনি। লায়রজরবসু মীরেপ ওইবা য়াই হায়বা পার্টিগী থৌদাং অমসুং চহী ৩০মুক হেন্না কম্ম্যুনিষ্ট অমা ওইনা কখোল্লকপা অদুগী মমল ওইনা মীয়ামগী মীরেপ ওইবনি। শেঙ্গা-থুমজা লৈতবা মীরেপ মীখল অমগী অহৌবা খোঙথাং ওইনা পাৎশোই এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী হৌনা ইলেক্সনদা শেল লৌদনবা আপিল তৌখি হায়না ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন কম্মিটি সী পি আই (এম) মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## ৱাশক লৌখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২: ওল মণিপুর গোর্খা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী নৌনা থৌ পুনবা খল্লবশিং ৱাশক লৌবগী থৌরম অমা ঙসি হিন্দী হায় স্কুল কংলাতোংবীদা পাঙথোকখ্রে। চহীসিগী জান্যুৱারি ২৯ দা খনখ্রবা ওল মণিপুর গোর্খা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী থৌ পুগদবশিং ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা মণিপুর গোর্খা ৱেলফেয়র য়ুনিয়ন, নেপালি সাহিত্য পরিষদ, মণিপুর, ভারতিয়া গোর্খা পরিষদ মণিপুরী য়ুনিট, নেপালি সংস্কৃত সুরক্ষা মণিপুরগী মীহুৎশিংবু শরুক য়াখি। ওল মণিপুর গোর্খা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন অসি কুমজা ১৯৬৭ তা লিংখৎখিবনি হায়নসু মখা তারি।

## 'ঈং-তপ্পা মীখল ওইহনসি'

কাংপোকপী, ফেব্রুৱারী ১২: তরামাথোইশুবা মণিপুর ষ্টেট এসেম্ব্লী মীখল অসি ঈং-তপ্পা মীখল ওইহল্লসি হায়না কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়ানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইহন্নবগীদমক চহী কয়া অৱাবা মায়োক্নদুনা লাক্লি। হৌজিক কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট ফংলক্লে। দিষ্ট্রিক্টহুদ ফংলকপা অসিদা ঈকায়খুম্নফম থোকই।

## য়ু এন সীগা কনানা...

*লামায় ১ গী মখা...* নাকোয়ননা য়ু এন সীবু সেন্টরনা শৌগত্তুনা লৈরে হায়বনি। মসিদসু নত্তনা মণিপুরদা জুন ১৮গী থৌদোক থোক্তুনা মীওই কয়ামরুম শিহনখিবদুসু বি জে পিনা লূচিংবা লৈঙাক্কনি হায়বা ঐখোয় পূম্নমক্না কাউরোইদবনি। ঙসিগী থৌরম অদুদা এম পি সী সীগী ট্রেজররসু ওইরিবা শুগনু এ সীগী এম এল এ কাঙুজম রঞ্জিৎ, এম পি সী সীগী ভাইস প্রসিদেন্ট য়েঙ্খোম সুরচন্দ্র অমসুং অতোপ্পা ভাইস প্রসিদেন্ট টি মঙ্গীবাবুনচিংবসু শরুক য়াখি।

## ব্লোকেদনা নাগা...

*লামায় ১ গী মখা...* লোয়ননা তঙাইফদনা চঙদবা য়াদবা পোৎলম কয়া ফংদবদগী মীয়াম্না অৱাবা মায়োক্নুরি। কুমজা ২০১৫গী ওগষ্ট ৩দা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সী এন (আই-এম)না ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অমা সাইন তৌনখিবগা লোয়ননা ফাইনেল এগ্রীমেন্ট অমা সাইন তৌননবা হোৎনদুনা লাকখিবনি। অরোইবা ওইনা য়ানচে অমা সাইন তৌনদ্রিঙৈ মমাঙদা সেন্টরগী ইন্টরলোক্যুটরনা মণিপুর অমদি অতৈ য়ুল্লোন্নরিবা ষ্টেটশিংগা কয়ারক হন্না ৱারী শানখি। অদুবু হৌজিক চত্থরিবা ইকনমিক ব্লোকেদনা থৌরাং অসিদা খুরৌ থাংহল্লে।

## অমুকো লিংখৎখিবগী থৌরম...

*লামায় ১ গী মখা...* চঙই। লূপ অমনা নৎত্রগা ফুরুপ অমনা অশোয়বা থবক অমা তৌরকপদা ঙাকপীবা ঙম্বগী মতিক ময়াই চেলহন্নিংই। মীওই মশেলগী মরক্তা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোরকপা লৈরগসু লাল্লিবা কাঙবু অদুনা মশাগী অশোয়বদু খঙলগা শেংদোক্নদুনা ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনবা মথৌ তাই।

ফাউন্দর প্রসিদেন্টসু ওইরিবা সিনিয়ার এদভোকেট খাইদেম মণিনা হায়খি, লূপ অসি লিংখৎখিবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা মীশকশিংগী মনুংদা মহাকসু অমনি। থোকখিবা থৌদোকশিং অদু ঙরাংদা ওইরবোই নিংলুই। অদুবু ঙসিদি চহী ২৪ শুরকপসিদা লূপ অসি মায় পাক্না থবক তৌরে হায়না লৌবা য়াই।

সী সী এস কেগী জেনরেল সেক্রেটরি জিতেন্দ্র নিংঙোম্বনা হায়খি, লমদমসিদা পুৱারীগী শোয়বা নাইদ্রবা ৱারীশিংনা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা অচেৎপা মরীশিং লৈনরকখিবদু অমুক্কসু হেন্না চেকশিনহনবা মথৌ তাই। শোয়নখিবা, লান্নখিবশিং অমনা অমবু ঙাক্নদুনা তুংগী ওইবা ফিরেপশিং পুন্না লেমিন্নবগী মতম য়ৌরক্লে।

থৌরম অদুদা অমুকোগী প্রসিদেন্ট পি ঐচ দেবাননা অমুকোনা মীয়ামগীদমক লৌরকখিবা অমসুং লৌগদবা থৌদাংশিংগী মতাংদা পল্লদুনা ৱা ঙাঙখি।

অমুকোগী জেনরেল সেক্রেটরি এস সঞ্জয়না নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা হায়খি, নীংখা তম্না পাল্লম্বা মণিপুরনা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা চঙশিনখিবদগী ঙসি ফাওবা লমদমসিদা পামদবা থৌদোক কয়ামরুম লেপ্তুনা থোরক্লি। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা মচেৎ তাহনবগী পোরম কয়া য়াৎলকখিবা থৌশীল থেংননবা কুমজা ১৯৯৩গী ফেব্রুৱারী ১২দা অমুকো শেমখিবনি।

মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম ঙাক্নবা হোৎনবদা অমুকোনা মীয়ামগী অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। লৈঙাকপদা খুদোংচানবা, দিষ্ট্রিক্ট শেম্বা লৈঙাকপশিংগী মথৌনি। অদুম ওইনমক দিষ্ট্রিক্ট বাউন্দরি কম্মিসন শেম্বসু কাঙলূপতা নৎত্রগা লোন্দা য়ুম্ফম ওইরবা, বাউন্দরি কম্মিসন শেল্লবসু কাঙলূপতা য়াৎপা অমুকোনা য়াবা ঙল্লোই। মণিপুরগী অপুনবা শক্তম ঙাক্নবা হোৎনবদা ব্লোকেদ চহী লীশিং লীশিং তৌরবসু শীংনবা তাবনি। আই-এমগা ইন্দিয়াগা ৱারী শানবদসু মখোয়গী দিমান্দ নাগালেন্দ মনুংদা চাদা ১০০ পীখিবদা অমুকোনা অয়েৎপা লৈতে। তৌবদবু মণিপুরগী মফম অমত্তগা মরী লৈনহনবা য়ারোই। মণিপুর নাগালেন্দ নত্তে হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।


## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : থিংবাইজম মনিরোতোন সিংহ, জ্যোতিষ শাস্ত্রী, নাগামপাল পাওনম লৈকায়, ইম্ফাল।


তাং ১৩-০২-২০১৭, নিংথৌকাবা, ফাইরেনগী ১৮ নি পানবা, নুমীদাংগী পুং ০৪.৫৭ দগী ১৯ নি পানবা, যোগিনি মায়কৈদি মৈরম, নুমীদাংগী পুং ০৪.৫৭ দগী সন্থোং



**মেষ ঃ** অনীংবা থবক্তা ঙমজবা লৈ, মুক্নবা লাক্কনি, লমদা চৎপা কান্নগনি।
লাল্লোল ঃ ঈশিংগী থবক্তা কান্নজগনি, চাউখৎপা লৈ।
পাখং-লৈশা ঃ তুং মাঙ য়েক্নবা য়ামগনি।
হকচাং ঃ কোক মায় নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, ঘী।



**বৃষ ঃ** মীনা তাইওন্নন খনবা, মখা থাবা মীগা শাউনবা, থবক মফমদা অয়েৎপা লাকপা লৈ।
লাল্লোল ঃ অৱংবা পোথোক্তা চাউখৎকনি।
পাখং-লৈশা ঃ পূক্নিং লাংতক্নবা লৈ।
হকচাং ঃ উনসা, অপোম অতা লৈগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙৌবা।




**মিথুন ঃ** থবক অমা তৌবদা অনীরক হনবা লৈ, শেল চৎপা লৈগনি, লম কোয়বা চৎনিংলকপা পীগনি।
লাল্লোল ঃ চাউখৎকনি, য়েক্নবা য়ামগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ঈকায় নুংশি য়ানগনি।
হকচাং ঃ মীৎ, মৈগী অকিবা লৈ।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাঙবা।



**কর্কট ঃ** ইমুং মনুংদা নুংঙাইজবা পাউ লাকপা, অশাউবনা অমাঙবা পীবা লৈ, খরা চেকশিনবীয়ু।
লাল্লোল ঃ মীনা শক খঙবীবা, চাউখৎপা লৈগনি।
পাখং-লৈশা ঃ তীন্নবা নুপীদগী কান্নজবা লাক্কনি।
হকচাং ঃ কোক, মায়দা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অঙৌবা, চা চন্দন।



**সিংহ ঃ** ঈকায় নুংশি য়ানগনি, শেল চৎপা হেনবা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ অচা অথক্কী থবক মফম চাউখৎপা লৈ।
পাখং-লৈশা ঃ নীংবগা তৌথোরকপগা খেৎনগনি।
হকচাং ঃ ঈশিং মরী নুংঙাইতবা পীগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ অঙৌবা, শঙ্গোম।



**কন্যাঃ** মীগা শাউনবা, অকাউবা পীবা মতাংনি, পূক্নিং ফাথবা ফৈ, নুংনাংবা পীবা মতাংনি।
লাল্লোল ঃ য়েক্নবা য়ামগনি।
পাখং-লৈশা ঃ মুক্নবা লাক্কনি, খোয়শাউনবা লৈ।
হকচাং ঃ ঙক খৌরি নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, থোইদিং অঙৌবা।



**তুলাঃ** নুংনাংবা, কান্নবা ৱাৎপা, শাউনিংবনা অকায়বা ওইরকপা, লমদা চৎপা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ মাঙবনা হেল্লি, ঈশিংগী থবক চান্নে।
পাখং-লৈশা ঃ থাজনবা ৱাৎপা, অশাউবনা মাঙওইনৈ।
হকচাং ঃ খোঙদা নুংঙাইতবা পীগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাঙবা।



**বৃশ্চিক ঃ** ইচিল ইনাওদগী মুক্নবা পীরকপা, অকি অখঙ লৈবা, অরাপ্পদগী নুংঙাইবা পাউ লৈ।
লাল্লোল ঃ মৈগী লল্লোন ইতিক চান্নে, কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ মৈরিকপীদগী মৈজাওবী ওইরকপা।
হকচাং ঃ শরু শিংলিদা নুংঙাইতবা লৈগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অমুবা, লৈ অমুবা।



**ধনু ঃ** চাউখৎপা ওইগনি য়েক্নবনা য়ামগনি, তৌজরুবা থবক্তা মীনা খঙবীবা লৈ।
লাল্লোল ঃ চাউখৎপা, ইদাক্কী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ পূক্নিং চেৎশিন্নবা লৈ।
হকচাং ঃ ঈশিং মরী নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙৌবা।



**মকর ঃ** মীনা পাউথোকপা, অরাপ্পা লমদা চৎপা, খোয়শাউনবা পীবা ওইরি।
লাল্লোল ঃ থবক্তা অহোংবা লাকপা, ইদাক্কী থবক চান্নে।
পাখং-লৈশা ঃ পূক্নিং লাংবা, ঈকায়বা নংগনি।
হকচাং ঃ মচেক ময়া পানবগী শাহুম লৈ।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অঙৌবা, লৈ হিগোক।



**কুম্ভ ঃ** নচাক নরল লাক্কনি, তৌজরুবা থবক্তা কান্নজগনি, মীনা শনমান তৌবীবা নুংশিবীবা ওইগনি।
লাল্লোল ঃ সনা লুপাগী থবক চাউখৎকনি।
পাখং-লৈশা ঃ মীৱা মৈশা, অয়েৎপা লৈ।
হকচাং ঃ উনসা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ নাপু, ঘী।



**মিন ঃ** শাউনিংবা, করি তৌসিগে খনবা, পূক্নিং লাংবা, শেল চৎপা, ইমুংগী মৈশা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ অরু অনান, সনাগী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ থীক নেম্বনা থা লান্না থোক্কনি।
হকচাং ঃ ঙক খৌরি নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাঙবা।

কোকচনবা পোৎলমশিং ইশানা নীংবা ঈশ্বরদা কৎপীয়ু।
যোগিনী মায়কৈদা অমসুং য়েৎওইনবা মায়কৈদা যাত্রা তৌবা ফত্তে।